# মপু মাগী খূৎশেম ওইরিবা তাইবঙ লৈকোনগী মপান নাইদ্রবা ফজবদা ঙাওজখিবা লুচিংবা ইরাবত

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

*মালেম অঙানবা তাখ্রে,*
*মায়কৈ অপূম্বা মল্লে,*
*থাংমৈ পরেং থানবগুম্না*
*থোক্লে থৱান্মীচাক্লা,*
*ঙাল্লে অতিয়া শিন্থুংনা।*
*চাক্তারম্বা পোম্বী চেক্লা*
*পোথাখ্রে ঙম্না মকোন্দা।*
*...*
*ঙকই লিচৎ সংসারগী*
*ঙক্লবা খুজিন্নি মপুগী। (অহিং)*

নৈহৎপীরবা শোথরবা মীওই খুন্নাইগীদমক চোকথবা নাইদনা লাম্হেংনরম্বা লুচিংবা হিজম ইরাবতকী খোর্জেইনা য়েক্লম্বা ময়েকশিংনি। কয়াগী মতিক পাক-চাউখ্রবা ৱাংলবা ৱাখল মিৎয়েংনো! ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা লৈশেল্লোন মীশেল্লোনগী থাজ ৱারী থম্বীরম্মী। ইমম মম্বা অহাঙবা তরং ওইরম্বদগী তাইবঙপানবা মপু শিদবা, অতিংকোক অমদি অমম্বা হায়রিবা লাই শিদবা অহুম্না ৱাতান্নদুনা লৈবাক, নোংথৌ, মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, থৱান্মীচাক, খোংজোম্নুবী, শজিক-থবান্নচিংবা মথং মথং শেল্লকখিবগী থাজ ৱারী লৈ। মপু মাগী খূৎশেম ওইরিবা মাঙহে তাহৈদ্রবা তাইবঙপান অসিদা লৈরিবা থৱায় পানবা অচৎ-চত্ত লেঙলি-পাল্লিবা পূম্নমক্লা অহিং নুংথিল নাইদনা তাইবঙ মপুনা শিন্নবীবা মা মাগী শিন্থা কায়দনা পাঙথোকপনা অহিং নুংথিলগী খেন্নবা লৈতে, অনীমক ফজবা নুংশিবনা য়োমশিন্দুনা লৈ হায়বসি লুচিংবা অসিগী অৱাংবা ৱাখল মিৎয়েংনি হায়দবা ঙল্লোই। ৱাখল্লোন অসিননি, তাইবঙ মপুগী শিন্থা, অচুম্বা লোনচৎ অমদি মহৌশা খোঙচত্তা শীংনরকপা খুদিংমকপুসু অকি-তুজুংবা মরীক অমত্তা পক্তনা, থৌনা ফনা মায়রোং য়াবা ঙমখিবদু। হায়নরিবনি অমম্বা অহিংদি তমথীবা অকি তুজুংবনা থল্লবা মতাংনি; তম্নলাই খঙদে থৱায়লাকপী খঙদে ফৎত্রবা শাথীখ্রবা ময়াম্না মথি ফোংবা মতাংনি। অকিবনা থল্লবা তাঙ্কক অসি লুচিংবগী মিৎয়েংদদি অদুক্কী মতিক মমল য়াম্মী। তকুপ তরেং ঙাল্লিবা নোংদোনথক্কী থৱান্মীচাক মঙান্দা ঙাওজৈ। অমম্বা ফংজবগীদমক অহোয়নদুম চাউথোকপা পোকচৈ। শুমহৎয়াই পুবী তইং তইংবী থানিলগী থাজবু মপু মাগী খুদোলনি খন্না ঈরাৎচৈ। নুংথিল চুপ্পা চাক্তারুবা তাইবঙ জিব পূম্নমকপু অহিং কৌবী লাইরেম্বগী মতম্বাক্তা য়াতাহন্দুনা নুংঙাইনা পোথাহনবীনি খন্না অপেনবা পোকই। মকুনা খোংবা, কৈ নোংশানা মচিঙ্গাক থিবা থোরকপা কিরুফম লৈতে, তাইবঙ মপুগী থৌজালনি, মশিঙ্গাং পাঙথোকচবনি খনবা ঙম্বা মীশক অমসু ওইখিবনি। ফজনা য়েংলবদি পূম্নমক ফজনা উবা ঙম্মী হায়বসিমসু মঙোন্দগী তমজবা য়াই।

কোরৌহনবগী মতিক ময়াইবু শীংথাবগী লোইবা নাইগদ্রা? য়েলহৌঙৈদগী মীরোল কয়া মথং মথং লান্দুনা মীওইবা খুন্নাইনা থোইদোক হেন্দোকপা মহাক্কী মতিক ময়াইবু খঙনা মফমদা থৌনিজ দুনা লাক্লি। অহিংগী মতমদা তূমখুন তাল্লুবা তাইবঙ জিবশিংবু য়াকাইহনবা কোরৌহনবনি। মপুগী শিন্থা পাঙথোক্তুনা য়াঙনা চৎলিবা লেপ্পাইদবা মাগী খোঙচৎনা তাইবঙ জিব অচৎ-চত্ত পূম্নমক্তা ৱাখল লৌশিং পাঙ্গল হাপ্তুনা হিংবগী খোয়থুম্নরবা মহাউ অদু ফংহল্লি। তাইবঙ শেবাৎনবা, মহৌশা খোঙচৎ অমদি মপুগী শিল্লম শিন্থাগী লোনচৎপু থৌওইদবা খরনা নোং ঙাল্লে নুমিৎনা ৱাতোন য়ৌরে খঙদবমখৈ ফমুংদা ওন্দুনা লৈথোকপা য়াওই। থোঙনাওদগী লীৎশিল্লকপা কোরৌহনবগী মশেক মঙালনা ফোঙ ফোঙ শানা মায়থোঙদা য়ৈরকপদা তূমশিৎ ফাদে হায়দুনা শাউনীংবসু কোঙ্গায়নি। অহল লমনশিংনা য়াহৌ থেঙলগা নুংঙাইজবা মচা মশুশিংদা তত্তনা হায়বা ৱাহৈশিংনি - ***নুমিৎনা নমশিল্লনি হৌগৎলো*** । কোরৌহনবনা খোঙদোইরক্ত্রিঙৈ য়াহৌ ঙন্না হৌগৎলগা মাবু তরাম্না ওকচনবা লাইৱানি। মহাক্কী মশেক মঙাল হুন্দোরক্ত্রিঙৈদা থবক ইনখাং লোইশিল্লগা শেংনা ইরু মাইজথোক্লবা মতুংদা মাগী মফমদা থৌনিজবা ঐখোয়গী অহল লমনশিংগী লোনচত্তুগী মফজদু অঙকপনি। লুচিংবা হিজম ইরাবতকী মফমদদি অমম্ববু মাঙহনবা ঙম্বা কোরৌহনবগী মঙালবু তরাম্না ওকচখি। তাইবঙ পূক্লিংবু শেংদোকহনবা কোরৌহনবনা খোঙদোইরকপদা থম্বাল লৈরাংনা মায়থোঙ মকা লামজবা অদুগা থরো লৈরাংনা মায়থোঙ খেগুম লাংশিনবা পূম্নমক অসি হীক্তোকফদ্রবা মপুগী শিন্থানি, মহৌশাগী খোঙচৎনি হায়না লৌখি। অয়ূক অঙনবদা পোম্বী চেক্লানা য়াকাইরকপা, য়েন লাবা অমোম্না খোংলকপা, ক্বাক্লা খোংলকপা, নোংপোক চীংখৈ হুল্লকপা পূম্নমক অসি মীওইবগী তূম্বা থুগায়বনি হায়না লৌদে। মমল য়াম্লবা তাঙলবা মীৎকুপনি হায়না লৌই। অসুম্না শৈথারকই - ***শিন্থা কনবা মীশিংনা,/য়াহৌনখ্রে ঙন্না/মপুগী কোলোয় শোল্লগা/হে ইচিন ইনাওশা!/হৌগৎলো মতমসিদা,/মপুগী কোলোয় শোল্লগা/পায়নরো নঙগী নঙগী নানি। (অয়ূক অঙনবা)***

তাইবঙ মীওইবনা খঙনা নৎত্রগা খঙদনা মপুগী শিন্থাবু হেক হেক কাউথোকপা মতাং লাকই। অহিংগী মতমদা ৱাখল পূক্লিং হকচাংনা পোথারুরবা মতুংদা অয়ূক্কী শেংলবা মতমদা মপু মাবু নীংজবা অমদি মাগী শিন্থাবু পাঙননবা পোরম পোমিৎ য়াৎপা হায়বসি শোয়ফদবা থৌদাংনি হায়না লাইপোক ওইখ্রবা লুচিংবা মহাক্লদি ফজনা খঙখি। মথন্তমক খঙবনা অপেনবা ওইখিদে, মীওইবা পূম্নমকপুসু খঙহন্নীংখিবা মাগী খোন্থাংনি। তাইবঙ মীওইবনা করিবু শীল্লুবা ঙম্বগে, পূম্নমক তাইবঙ মপু মহাক্কী শিন্থা পাঙনবা হোৎনবনি, মহাকপু মীৎকুপ অমা ফাওবা কাউদনা শোঞ্জনীংখি। মপু মহাক্তি অচুম্বগী তূংনফমনি, লোইনাই খম্নাইদবা মহাক্কী মতিক ময়াইবু চেৎনা থাজখি। মীয়ামগী লুচিংবা মহাক্লা হোৎনখিবা চেন-চোঙখিবা পূম্নমক্তু অচুম্বা ফংনবনি, মীওইবনা মনীং তম্না হিংবা ঙমজনবা অরানবা তমথীবা লোনচৎ কয়াবু মাঙহন্নবা ওইবা মরম্না তাইবঙ মপুনা মঙোন্দা থৌনা হাপখিব্রা? থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা মহাক্তি থবক পাঙথোকপা হায়বসিদা লাইনীং ওইখিবা মীশকনি। মপুগী খূৎশেম ওইরিবা তাইবঙ লৈকোন্দা মহৌশাগী খোঙচৎ কায়দনা অচৎ-চত্ত, লেঙলি-পাল্লিবা খুদিংমক্লা পাঙথোক্লিবা মথৌশিংবু মহাক্লা ইকায় খুম্নৈ। পূম্নমক মাগী মফমদদি খোয়থুম্নরবা মহাউ, নুংশিরবা শৈহেক, নুংাবিা হৈনম লৈনম, ফজবা নুংঙাইবা কুম্মৈ ওইদুনা মমল য়াম্লবা খুদোল ওইদুনা লৈখি মাল্লে। মহৌশাগী কায়ফদ্রবা খোঙচৎপু মহাক্লা ইকায় খুম্নৈ। মপুনা শেম্বীবা অঙকপা তাইবঙপান অসিবু নুংশিজবগী ঈরাৎচবগী ফিদম্নফম ওইবা ৱাখল্লোন মঙোন্দা তুংশিন্দুনা য়োক্তুনা থমখি। অদুবু মথন্তগী ওইনা কনশিন্দুনা থমখিদে, মাগী ৱাখল নৈম অদু মীপূম খুদিংমক্তা য়েম্থোক্লবা হোৎনরম্মী। মতৌ অসুম্না ঐখোয়না খঙবা উবা ঙমদবা মতিক ময়াই কয়া লুচিংবা ইরাবত্তা লোত্তুনা লৈরম্মী, চিংথোকপগী লোইবা খম্বা নাইররোই। ●

# সেপ্টেম্বর ২৭, ৱর্ল্ড টুরিজম দে ২০২২ - থিম : রিথিঙ্কিং টুরিজম

-তোংব্রম অমরজিৎ -

ঙসিদি মালেমসে অপীকপা খুঙ্গং অমগুম্না পূম্নমক্লা ঈ-পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌবদা অমসুং চথোক চৎশিন তৌবদা য়াম্না ৱাবা ওইদ্রে। অনৌবা সাইন্সকী ইনভেন্সন কয়া, টেক্নোলোজিগী লাক্লিবা অহোংবা অমসুং মীওইবনা চাওখৎলকপা হেল্লকপগী মতিক হেন্না অঙকপা নুংঙাইবা কয়া পীররি। নোংথক্তা, কংফালদা, ঈশিংদা চৎনবা মখল কয়াগী ত্রান্সপোর্টেসনগী মিদিয়ম কয়া পুথোক্লকপনা থায়নগা মান্নদবা মওংদা অতেনবা মতমদা মালেমগী ফজরবা মফম কয়া লমকোয়বা পাম্বা মীওইশিংনা অমসুং লল্লোন-ইতিক তৌবদা লাইরিক লাইশু তম্লিংবা মফমদা চৎপদা অসুক্কী মতিক খুদোংচাবা কয়া পীবা ঙল্লে। অনৌবা ফজবা মফম য়েংনীংবা, অরিবা আর্কিটেকচরেল মার্ভেল উনীংবা, অৱাংবা চীংদোল কানীংবা, লূরবা সমুদ্র ইরোলনুংদা ইরুপ্পিংবা, খঙদ্রিববু খঙনীংবা, উনীংবা হায়বসি মীওইবগী হৌনশানি। মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াদা লৈরিবা নেচরেল ৱান্দরশিং, পুৱারীগা শাগোন্নবা চাওরবা বিল্ডিংশিং, লানবনশিং অরিবা অমসুং অনৌবা সহরশিং, কোয়ফম চৎফম অসিমক ওম্হোক্লা য়াম্না লৈখ্রে। অমরোমদা মীওইবনা চাওখৎলকপগী মতুংইন্না হৌজিক্কী মতমদা অমুক অনৌবা মখলগী লম কোয়বা মখল কয়াসু লাক্লি। মসিগী মনুংদা স্পেস টুরিজমসু অমা ওইরক্লি। টুরিজম্না লৈবাক অমগী ইকোনোমিদা কয়া য়াম্না মতেং তৌবগে হায়বদুদি লম অসিদা থিজিল্লুবদসু মীপূম খুদিংনা লায়না অদুম য়েংবা য়ারবা মতম অমা ওইরবনি। ইন্টরনেটকী মতমসিদা টুরিজম প্রমোট তৌবদা ভিজন লৈবা লৈবাকশিংদি দাটা সাইন্সতা হেন্না পূক্লিং চংশিন্দুনা মাগী মাগী লৈবাক্কী লৈজরিবা রিসোর্সশিং অদু কূপ্না নৈনদুনা টুরিজমদগী অঙকপা ফংনা রেভন্যু লাকহন্নবা হোৎনদুনা মালেমদা চাওখৎপদা মাঙজিল থাবা লৈবাক ওইবা কয়া লৈরি। খুদম ওইনা ফ্রান্স, য়ু এস, চাইনা, ইটালি, জর্মনি, য়ু কে, স্পেন, থাইলেন্দ, মেক্সিকো অসিনচিংবা লৈবাকশিংদা টুরিজম সেক্তরদগী দোল্লর মিলিয়ন কয়া চহীদা রেভন্যু লাকপনা লৈবাকশিং অসিগী ইকোনোমিদা অঙকপা ফংনা কান্নবা পীবগী পাউদম লৈরি।

সেপ্টেম্বর ২৭ অসিমক ৱর্ল্ড টুরিজম ওর্গনাইজেসননা ১৯৮০দগী হৌনা তোঙান তোঙানবা থিমদা চহী খুদিং মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। কুমসি চহীগীসু 'রিথিঙ্কিং টুরিজম' হায়বা থিম অসিদা ইন্দোনেসিয়াগী বালিদা ৪২শুবা ৱর্ল্ড টুরিজম দে থৌরম পাঙথোক্লি। কোভিদ পেন্দমিক মতুংদা টুরিজম সেক্তরনা লাক্লিবা অহোংবশিং অসিনা লৈবাক কয়াগী ইকোনোমিদা লাকহল্লিবা অহোংবশিংগী মতাংদা অমসুং কমদৌনা টুরিজম অমুক হন্না শাহৌ ফগৎহনগনি হায়বসিদা নৈনগদৌরি। সাউথ ইষ্টকী লৈবাকশিংদা ঙসিদি মালেমগী মীয়ামসু লম য়েংনীংবগী মশীং য়াম্না হেনগৎপগী পাউদম লৈরি। থাইলেন্দ লৈঙাক্লা মখোয়গী টুরিজমবু প্রমোট তৌনবগীদমক 'এমেজিং থাইলেন্দ' হায়দুনা স্লোগান অমগী মখাদা অরৈবা লৌশিং থাদদুনা হোৎনরি। টুরিজমখক্তনা চাওরবা রেভন্যু তানবা ঙল্লি। ইন্দিয়াগীসু 'ইনক্রিদিবল ইন্দিয়া' হায়দুনা মালেমগী টুরিষ্ট কয়াগী পূক্লিং চিংশিন্নবা হোৎনরি। মালেমগী টুরিজম মেপ্তা ইন্দিয়াসু য়াওদবদি নত্তে অদুবু টুরিষ্ট ফ্রেন্দলি ওইবা মীয়োক মীচান ফবদি অতোপ্পা মমিং লৈরবা লৈবাকশিংগা চাংদম্নবদা খরা ৱাৎপগী খুদমশিং লৈরি। শম্না লমকোয়বা লাক্লিবা ফোরেন্নরশিংদা রেসিয়েল দিসক্রিমিনেসন লৈবা, হুরান চিন্থি তৌবা, নমথাক তৌবা অসিগুম্বা থৌওং খরনা হেন্না চাওখৎকদবা টুরিজম সেক্তরদা খুরৌ থাংবা থোক্তবা নত্তে। ইন্দিয়াগী টুরিজম মিনিষ্ট্রিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ষ্টেটশিংদা চাওর-চাওরবা প্রোজেক্টশিং, তোপ টুরিষ্ট দেষ্টিনেসনশিং, ইনাকখুল্লবা আর্ট এন্দ কলচর, ত্রেদিসন অমসুং হিষ্ট্রিদা য়ূম্ফম ওইবা মফমশিং, হেরিটেজ সাইটশিং, নেসনল পার্কশিং য়োকখৎনবা শেমগৎনবা লেপ্তুনা হোৎনরি। কলচরগী মিনিষ্ট্রিনসু লম অসিদা লেপ্তুনা থবক কয়া পায়খৎলি। তৌইগুম্বসুং মালেমগী তোপ টুরিষ্ট দেষ্টিনেসনশিংগা চাংদম্নরুবদি লৈবাক অসি মাঙজিল থানা লম অসিদা চংশিনবা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। মসিগী মরু ওইবা মরমশিংদি টুরিজম প্রমোট তৌবা ৱাৎপা, লম্বী থোং নীংথিজনা শেমদবা, লম কোয়বা লাক্লিবা মীওইশিংদা মরু ওইবা ইনফোর্মেসন অমসুং মখোয়বু পূক্লিং চিংবা য়াবা মখলগী পোলিসি নিংথিজনা শেমদবা অসিনসু ফেক্টর অমা ওইগনি খল্লি।

মণিপুরসু ইন্দিয়াগী টুরিজম মেপ্তা মাঙজিল থানা য়াওবা য়াবগী পোটেন্সিএলদি মরাং কায়না লৈবা ষ্টেট অমা ওইরগসু মতাং মতম চানা প্রমোৎ তৌবা ৱাৎপা অমদি মপূং ফানা থবক তৌবা য়াবা লৈঙাক্কী পোলিসি মাঙজৌননা শেম শারুদবনা মাঙদা চঙশিনবদি য়াম্না ৱাৎলি হায়বসি পূম্নমক খঙনৈ। অনৌবা টুরিজম পোলিসি শেম্বগী পাউ অদুম ময়ামসু তানৈ। লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙনা থবক কয়া তৌরি। থিওরিদদি লোইনা খঙই টুরিজম্না ষ্টেট অসিদা থবক ফংদনা লৈরিবা নহারোলশিংদা থবক কয়া পীবা ঙমগনি হায়না। ষ্টেট লৈঙাক্লা লমদম অসিগী টুরিজম প্রমোট তৌনবা পান্দমদা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল, শিরুই লিলি ফেষ্টিবেল অসিনচিংবা ফেষ্টিবেল কয়া লেপ্তুনা ষ্টেটকী থাক্তা লুপা লাখ কয়া চঙনা পাঙথোক্লি। হায়রিবা ফেষ্টিবেলশিং অসি পাঙথোক্লুবা চহী খুদিং মতমদু লাকপদা কোয়চেন চেন্নদুনা লম্বী শেম্বা, ভেন্যু শেম শাবা অতৈ অতৈ থৌরম পাঙথোক্লুবা লান লাকপগুম্না শেম শাবা হেক হেক থেংনবীরমগনি মীয়াম্নসু। অদুবু থৌরম হেক লোইখিবদদি হায়রিবা ফেষ্টিবেল ভেন্যুশিংদা চাইথোক্লম্লিবা, মোৎশিল্লম্লিবা কয়াগী শক্তমশিং অদুনা অমোৎ অকায়গী কোমদা লৈরাং চারা ফজবা অমা থানবা হোৎনবগী মমি অমা তাবা থেংনৈ। ফেষ্টিবেল নংনবা শেমখিবা লম্বীনা নুমিৎ খরনিদা কায়দুনা কোম শাদুনা ঈশিং তুংশিল্লকপদা অঙকপা ফাওরুদে। মরমদি টুরিজম সেক্টর অসি চাওখৎনবা হোৎনবদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা থবক তৌরিবশিং, লুচিংবশিংনা মীয়াম পূম্নমক থৌদাং য়াম্না চাওই হায়বসি হেক হেক কাউথোক্লে।

মণিপুর লোক্তাক ইতোপ তোপ্পা শক্তমনি। কৈবুলগী সঙাই মালেমদা অনী শুদে। উখ্রুলগী শিরোই নাইতোম শাৎচরিবনি। জুকো ভেল্লিগী ফজবা পূম্নমক লমদম অসিগী গোল্ড মাইননি। হৌখিবা চহী খরসিদা ফোরেন টুরিষ্ট কয়া য়াম্না লাকপা, দোমেষ্টিক টুরিষ্টনা মশীং কয়াম হেনগৎনা লাক্লিবা, মণিপুরগী লৈরিবা টুরিষ্ট দেষ্টিনেসন অসিনা কয়া য়াম্না শেমগৎ শাগৎলবা অসিনচিংবা দাতা ময়াম অসি কূপ্না নৈনদুনা কদায়দা করি হাপচিল্লগা, শেমগৎলগা অমসুং কমদৌনা মণিপুর টুরিজম অসি প্রমোট তৌগনি হায়বসি দাতা সাইন্টিষ্টশিংনা নৈনবা মতম ওইরে। হীরম অসিদা মরী লৈনবশিংনা হেন্নদি উবীরমগনি অদুবু লাক্লিবা, উরিবা, তৌরিবা টুরিজমগী থবকশিং অসিদদি ময়েক লানা তাদবগুম্বা অমা অসুম মীয়াম্না উই। নীংশিং নীংশিংলকপদা লাইরিক পারগা পরিক্ষা থারবদি মশানা অদুম ফেল ওই হায়বসি পূম্নমক্লা খঙনৈ। লেপ্তুনা হোৎনবা অমসুং পুকচেল শেংনা ভিজন অমগা লোয়ননা থবক তৌবা অমদি চঙলি।

মণিপুরগী লৈরিবা টুরিজমগী পোটেন্সিএল অসি পংনোপ নোপ্তবা কাঙলূপ্তা য়াওরিবনি। বেট্টুলফিল্ড টুরিজমদগী হৌরগা লৈরিবা মেদিকেল টুরিজম, স্পোর্টস টুরিজম, এদভেঞ্চর টুরিজম, রিলিজিয়স টুরিজম অসিনচিংবা টুরিজম মখল কয়াগী মচাক মরাং কায়না লৈরিবা মণিপুরনি। সমুদ্র ঈমাইদগী মিটর লিশীং অনী হেন্না ৱাংবা লোইবী চীংলোন্না মায়কৈ মরি শুংদাই নিপাল কোয়শিনবা চীংলৈবাক মণিপুর অদুঙৈগী কংলৈপাক ইচম চম্বা লমদম অমদি নত্তে হায়বসি বৃটিশনা খঙখি। মালেমগী মীয়াম্না ৱারীনখিবনি নুমিৎ তাবা নাইদ্রবা লোইলম মপু বৃটিশকী ওফিসর মঙা কংলা উত্রা মাঙদা লুরেল কেনখিবা মিকুপ্তা। কংলৈ লমদম অসিমক জিও-পোলিটিকেল মেপ্তা য়াম্না ষ্ট্রেটিজিক ওইবা লমদম অমা ওইদুনা লাকখি হায়বসি পুৱারী নৈনবশিংনা খঙই। কল থৌরবা নোংপোক অমসুং নোংচুপ লৈবাকশিংগী সনথোঙনি হায়বসিসু পূম্নমক্লা খঙনৈ।

মীয়োক মীচান ফবা মণিপুরীশিংনা টুরিজম চাওখৎনবা মানা মানা লৈজবা মওংদা রুরেল টুরিজমদা মায় ওনশিন্দুনা চাংয়েং ওইনা ফ্লোটিং হোমষ্টে হায়দুনা লোক্তাক ময়ায়দা মতম খরগী মমাঙদা তৌনরম্বদা লাক্লিবা লমকোয়বশিংগী মশীং অদুনা তাক্লি রুরেল টুরিজম অসি কয়ামুক পাম্নরকপগে হায়বদু। অসিগুম্বসি ফজবা পূম্নমক্কীসু কান্নবা ওইগদবা অদুগা অকোয়বগী ফীভমদা অমাঙ অতা থোকলোইদবা মওংদা মপূং ফাবা, তুং কোয়না শীজিন্নবা য়াবা পোলিসি অমা শেম্লগা মখা তানা মফম চাবদা শেমগৎলবদি নহারোল থবক ফংদবা কয়াবুসু থবক পীদুনা হেন্না রেভন্যু লাকহনবা ঙমগনি।

নোংপোক থোঙনা মনিং তম্না হাংদোল্লকপদা ঐখোয়গী লুচিংবশিংনা করম্বা লম্বেলদা চৎলগা করম্বা ফিদা অমদা ফমদুনা লৈবাক্কী ফিরালনা লুরবা শংবান্নবা অতিয়াদা মনীং তম্না পাইহনগদগে হায়বদুদি ঙসিগী মীরোলনা লেপ্পা মতম ওইরে। ●

স্টেটকী পাউ

## পুন্সিগী ফাদোক লৈরিবা কনভিক্ট ২না মতম শুদনা...

*লামায় ১গী মখা...* পীরক্লবা নোটিস ঙসি পীখিবনি। সেন্ট্রেল অমসুং টামিল নাদু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মখোয় মখোয়গী ওইবা পাউখুমশিং পীখৎলক্লবা মতুংদা এপেক্স কোর্টনা প্রেয়র অনীসিগী মখা তাবা ৱায়েল মথং থাগী ১৪দা চথগনি হায়খি। অদুগা ফাদোক অনীনা ফাইল তৌরক্লিবা প্রেয়রগী কোপিশিং লৈবাক অসিগী এদিসনেল সোলিসিটর জেনরেল কে এম নটরাজদসু পীনবা সুপ্রিম কোর্টনা দিরেক্সন পীখি।

পনবা য়াবদি, চহীসিগী হৌখিবা জুন থাদসু কনভিক্ট এস নলিনি অমসুং আর পি রবিচন্দ্রননা মখোয়বু রজিব গান্ধী এসাসিনেসন কেসকা মরী লৈননা পুন্সি চূপ্পগী ফাদোক পীরক্লিবা অসিগী মায়োক্তা মদ্রাজ হায় কোর্টতা প্রেয়রশিং তৌরদুনা মখোয় অনীগী ফাদোক্কী মতম ককথবীনবা হায়জরকপা লৈখ্রবনি।

অদুম ওইনমক প্রেয়র অনীমক মদ্রাজ হায় কোর্টনা লৌখৎলগা খন্নবগী মহুত্তা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৪২গী প্রোভিজনশিংনা পীরিবা পাৱরশিংদি শুপ্নতগী সুপ্রিম কোর্ট খক্তনা থবক্তা ওম্হোকপা ঙম্মী হায়রদুনা কনভিক্ট অনীমক্তা মখোয়গী প্রেয়র অসি এপেক্স কোর্ট অসিদা ফাইল তৌনবা দিরেক্সন পীরকখিবনি। অদুগা মখোয় অনীনা এপেক্স কোর্টতা হায়জরক্লিবা অসিগুম্না এসাসিনেসন কেস অসিদা চেন্নবদগী ফাদোক পীখ্রবা এ জি পেরারিভলন কৌবা ফাদোক অমদি চহী অসিগী মে থাদা থাদোকখিবনি। অদুবু মহাকপু থাদোকপা মতমদা এপেক্স কোর্টনা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৪২গী প্রোভিজনশিংবু এক্সত্রা ওর্দিনরি পাৱর শীজিন্নদুনা থাদোকখিবদা নত্তনা কুমজা ২০১৮গী সেপ্টেম্বরদা টামিল নাদু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীরকখিবা রেকমেন্দেসন অমদা য়ূম্ফম ওইখিবনি। অদুগা থাদোকখ্রিবা এ জি পেরারিভলন হায়রিবা ফাদোক অদুমক্তি চহী ৩০ হেন্না জেলদা থল্লকখ্রবা মীওইনি হায়রি।

অদুগা ঙসি ফাদোক্কী মতম তেনশিনহনবীদুনা থাদোকপীয়ু হায়জরকখিবা ফাদোক অনীসি এসাসিনেসন কেস অসিগা মরী লৈননা পুন্সি চূপ্পগী জেলদা থল্লকখিবা ফাদোকশিং ওইরগসু লৈবাক অসিনা মায়োক্লখিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিককীদমক য়েংলদুনা হৌজিকমক্কী ওইনদি মখোয় অনীমক পে-রোলদা থাদোক্তুনা মশা মশাগী ময়ূমশিংদা লৈরিবনি। মখোয় অনীমক এসাসিনেসন কেস অসিগা মরী লৈননা টেররিষ্ট এন্দ দিসরপ্টিভ এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্ট, ১৯৮৫গী মখাদা অখন্ননা লিংবা কোর্ট অমনা কুমজা ১৯৯৮দা এসাসিনেসন কেস অসিগা মরী লৈননা শিবগী চৈরাক পীবা ফাদোকশিংগী মনুংদা য়াওখিবনি। অদুবু কুমজা ২০০০দা টামিল নাদু লৈঙাক্লা শিবগী চৈরাক পীরবা ফাদোকশিংবু পুন্সি চূপ্পগী ফাদোক ওইনা ওম্হোকখিবদা মখোয় অনীসি য়াওখিবনি।

## সিনে রাইটর্স এন্দ প্লে রাইট ফোরম মণিপুরগী নিপানশুবা মপোক...

*লামায় ১গী মখা...* কান্নবা পীগদবা লাইরিকশিং ইদুনা থমহৌগদবনি। ফিল্ম, লিলা, দ্রমা অমদি অতোপ্পা আর্ট ফোর্মশিংনা সোসাইটি অসিদা অফ ফত্তগী মতাংদা এৱার্নেস কয়া পীরি। অইবশিংনা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা থোক্লিবা থৌদোক কয়া অসিগী মতাংদা কান্নবা অমসুং কান্নদবা কয়া অদু বেলেন্স তৌরগা ইনবা হোৎনগদবনি। মসিনা খুন্নাই অসিবু অওনবা অমা পুরকপা ঙমগনি থাজে হায়খি।

থৌরমগী মনুংচন্না ৩ শুবা মণিপুরী ফিল্ম স্ক্রিপ্ট কম্পিটিসন ২০২২ গী মকোক মথং তারবশিংদা মনা লাম্হোকখি। নবকুমার নোংমৈকাপমনা ইবা চৈথেং হায়বা ফিল্ম স্ক্রিপ্ট অসিনা শরুংবম মনি নিংশিং মনা ২০২২ ফংখি। অদুগা খেত্রিময়ুম নিরুপমানা ইবা থৌৱান্মীচাক লক্তগী ফিল্ম স্ক্রিপ্টনা গুরুময়ুম শখিগোপাল শর্ম্ম এৱার্দ অদুগা নাওরেম দোরেননা ইবা অমুবা চুমথাঙ হায়বা ফিল্ম স্ক্রিপ্ট অসিনা খোমদ্রাম বিধু অমদি খোমদ্রাম ওংবী লৈমখুবী নিংশিং মনা ফংখি। অদুগা মাংতে ৱেসি কোম্না ইবা ঐগী পুন্সি হায়বা ফিল্ম স্ক্রিপ্ট অসিনা ইশ্বরচন্দ্র খ্বাইরাকপম নিংশিং মনা ফংদুনা স্পিসল জুরিগী এৱার্দ ফংখি।

অমরোমদা, ঙসিগী থৌরম অদুগী মনুং চন্না রাজ কুমারী মিনানা ইবা অমসুং অশাংবা কম্যুনিকেসন, ইম্ফালনা ফোঙবা শৈরেং লাইরিক 'তৎখ্রবা লংলা' সু ফোঙখি। লাইরিক অসিগী অইবী আর কে মিনা ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপালদগীনি। ঙসি ফোঙখিবা শৈরেং লাইরিক অসি মহাক্কী অহানবা লাইরিকনি। লাইরিকসিদা বঙ্গালি ময়েক অমসুং মীতৈ ময়েক অনীমক্তা পূন্না ইবা শৈরেং ৭০ য়াওরি। শৈরেংশিং অসি হৌখিবা কুমজা ২০১৫গী মালেমগী নুপীগী নুমিৎতগী ইবা হৌরগা মমাঙগী কুমজা ২০২১গী এপ্রিল ১০ ফাওবগী মনুংদা ইখিবা শৈরেংশিংনি।

লাইরিক অসিদা য়াওরিবা তৎখ্রবা লংলা হায়রিবা শৈরেং অসিমক মণিপুরগী মপারোই অথোইবা লময়ানবা হিজম ইরাবতপু শৈথাবা শৈরেংনি । লাইরিক অসি অইবীনা অশেংবা লুচিংপুরেলশিংগী মফমদা কৎচবনি হায়রি।

## গুৱাহাটি ফাওরগা ইম্ফাল-বেঙ্কোককী ফ্লাইট...

*লামায় ১গী মখা...* কোন্থৌজম অমসুং ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর খাসিম বাসুমসু শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অসিদা চীফ মিনিষ্টরনা ঙরাং নূঙবাদা সী আর পি এফকী পর্সনেল অমনা মফম অদুদা বোম অমা প্লান্ট তৌরম্মী হায়বগী থৌদোক অমা থোকখিবা অদুগী অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোক্লবা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এদিসনেল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (এ দি জি পি) অমনা লুচিংবা টিম অমনা থিজিল্লগনি হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টরনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা দাইরেক্ট ফ্লাইট সর্ভিস অসি হৌদোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা ইম্ফালগী ওল্ড লম্বুলেন রোদতা নৌনা শাগৎপা হোটেল ইমোলেসপুসু হাংদোক্তুনা শঙ্গাখি।

হোটেল অসি হাংদোকপগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরনা পোলিটিসিয়ন অমনা মতম পূম্নমক্তা চোকথবা লৈতনা মখোয়গী মীয়াম্বু মতিক ময়াই লৈবা পুন্সি অমা পীননবা হোৎনবদা নত্তনা মীওইবগী হকশিং ঙাক শেনগদবনি অমসুং মীয়াম্না মখোয় মখোয়গী শিনফমদা মশাগী মখোঙনা মরোমদোম লেপচবা ঙমজনবগী থৌরাং শিনবীগদবনি হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু লৈবাক অসিগী মীয়ামগীদমক তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী স্কিমশিং পায়খৎলকপগা লোয়ননা মাইক্রো লেবেলদসু মীয়াম্না থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা ঙমহল্লে হায়খি।

মণিপুর লৈঙাক্লসু প্রাইম মিনিষ্টরগী লমজিং মখাদা ষ্টেট অসিদা অহোংবা অমা পুরক্লবা অঙম্বা পাম্বৈশিং পুথোক্তুনা হোৎনরি হায়রদুনা মতম খরগী মমাঙদা হোটেল মেনেজমেন্টকী ইন্সটিট্যুট অমা হাংদোকখ্রে। নহা লিশীং ২ রোমদা আই টি ট্রেনিং পীখিবগা লোয়ননা মখোয়গী মনুংদগী নহা লিশীং ১ রোমদি সেক্টর অসিদা থবক ফংহনখ্রে হায়খি।

মণিপুরগী ফজবশিং, অঙ্গৈং-অশা অমসুং ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী লৈবাক মচা তাবা ফীভমশিংনা মণিপুরদা মপান লৈবাক্কী লম কোয়বশিং লাকনীংহল্লি হায়নসু ফোঙদোক্লদুনা ঙসি হাংদোক্লিবা হোটেল ইমোলেস অসিনা পাঙথোক্কদৌরিবা সঙাই ফেষ্টিবেলদা লম কোয়বশিং লাকপদা খুদোংচাবা পীননবগী চপ চাবা তাঞ্জানি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ওইল টেঙ্করশিং...

*লামায় ১গী মখা...* হাপ্লবা লোদেদ টেঙ্করশিং ঙসি ইম্ফালদা লাক্কদবশিং অমত্তা লাকখিদ্রে। অদুগা ইম্ফালদগীসু থাও লৌরুনবগীদমক অহাঙবা টেঙ্করশিং অমত্তা চৎখিদ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিদা মনুং মতম চাদনা য়ুনিয়ন অসিগী মেম্বর অসিনা লৈখিদবগীদমক ঙসি পাঙথোকখিবা মীফমদা শরুক য়াখিবশিংনা মিনট ২ তূমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি অমসুং লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা লৈরুনবগীদমক থৌনিখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুংনা মায়োক্লহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াবা ফোঙদোকখি হায়না য়ুনিয়ন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি পি রবিকান্তনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

HL-B/7838/20/9-4/10




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।